থন্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# থাজবা, থাজদবা - লাই অমসুং ভুৎ

থা জবা অমদি থাজদবা! থাজগনবা অমদি থাজগন্দবা! ৱাখল মখল অনীসিনা পুবা মী মখল অনী লৈ। মীনা হায়বা ৱা অমা নৎত্রগা অচুম অরান খঙদবা পাউ অমা পারুবা নৎত্রগা তারুবা - ৱাফম নৎত্রগা পাউ অদু অচুম্বনি হায়না থাজগনবা মীসু লৈ। কান্নদবা ৱারেমনি মীৎনা হেক উদ্রিবমখৈ থাজদে হায়বা মীসু লৈ। ঙসি ঙরাংসিতগী আ মমাঙথক্তইনি। মীবু ওবজর্ব তৌরুবগী ৱা নত্তে, ঐহাক ইশামকসিদা হঙ্গৎনা য়েংজদুনসু নৈনজৈ - ঐহাকসিদি করম্বা মখলগী মীওইনো - থাজগনবা? নৎত্রগা থাজগন্দবা? ইশা ইথন্তনা লেপথোকচবা ঙমজদে। তারিবা ৱা নৎত্রগা পাউ অদুগী মতুংইল্লি- হেক্তা থাজবা নৎত্রগা থাজদবা। ওইরমগনি/তৌরমগনি! হেক্তো খন্দোকখিবসু ময়াওই। ওইথোক্তবা ৱানীদা, থাজবা য়াবা ৱা নত্তে - খন্থরুরগা হায়দোকখিবসু কয়ানি। থাজগনবা, থাজগন্দবা অনীমক্কি হায়বা তাই।

অদুগুম্বা/অসিগুম্বা, অইবা পাউ/অশেম্বা পাউ থাজগনবা, থাজগন্দবগী ৱা নত্তবা মালেমসিবু/তাইবংসিবু শেম্বীবনি হায়নরিবা 'লাই' মাবু থাজবা/থাজদবগী ৱাফম অসি খন্নরকপদদি তরাই-তরাই লৌবা য়াদে। 'অদোম লাই থাজবীবরা?' - কনাগুম্বা অমদা হংবীয়ু। 'থাজৈ' হায়বা কাঙলুপ অমা, 'থাজদে' হায়বা কাঙলুপ অমা, মখল অনী থেংনগনি। কাঙলুপ অনী অসিগী, মানা মানা চুম্মী হায়বা উৎনবা অর্গ্যুমেন্ত অমদি কাউন্তর এগ্রিমেন্ত অদু নত্তে ঙসিগী ৱারেং অসিদা তমগে হোৎনজরুরিবা। ৱাহং অসিদা ইশাগী ওইবা পাউখুম করিনো? হংবীরকপা তারবা, 'থাজদে' হায়বা ৱাহৈ অমগী মখোঙ চেৎপা পাউখুমসিনি। অদুবু, করিগুম্বদসু 'থাজৈ' হায়না খুমগনি। মরমদি 'লাই' হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন, মতাঙ মতাঙগী মতুংইন্না মান্নদে। 'ইমা-ইপা অনীদি মীৎনা উবা লাইনিদো' - ৱাহায় অসি থাজরবা, লাই মাবু থাজরে। 'অল্লাহ/জিসস/কৃষ্ণনা খ্বাইদই চাউবা মপুনি' ... ঐবু হায়যু হায়রবা, মতাঙদুদা হায়গনি - ঐ লাই থাজদে।

ফিলোজোফিকল ওইবা মীৎয়েংদগী য়েংলগদি 'লাই থাজবা' অমদি 'লাই থাজদবা' মী মখল অনীসি করিমত্তা খেন্নদে। ৱাহায় অনী মান্নদনা হায়বনি - পোজিতিব ওইনা হায়বা অমা! নেগেতিব ওইনা হায়বা অমা! কনাগুম্বা ফিলোজোফর খরনা হায় - মীওইবনা কিবা করিগুম্বা পোৎশক অমা, মাগী ৱাখলদুদগী তাম্থোকখিনবা হোৎনরক্কনি, ৱাখলদগী তাম্থোকখিনবা খ্বাইদই লায়বা পাম্বৈনি - পোৎশকঅদু লৈ হায়না খন্দবা। লাই কিবদগী লাই লৈহে হায়বনি - য়াবীনীংবরা? ফিলোজোফি অমনি। অদুগা, 'লাই লৈ' থাজরিবা মহাক্তুনা কিরবিসু লাইদুনি। লাই হায়বসি শকউদনা লৈবনি, ঐনা মাবু থাজদ্রবা, ঐনা মাগী মতিক মগুন শৈথাদুনা শক্ত্রবা, ঐনা মঙোন্দা ইকোক নোন্না খুরুমদ্রবা, ঐনা মঙোন্দা হায়জদ্রবা- মানা চৈরাক পীরক্কনি। থাজবা মখল অমনি। 'লাই লৈ' থাজবা, 'লাই লৈতে' থাজবা! পোজিতিব ওইনা থাজবা! নেগেতিব ওইনা থাজবা। থাজবা মখল অনীসিগী কম্মন 'ক্যারেক্তর' অমনি - লাইবু কিবা!

কিবা হায়রগা, মহাক্না ঐগী মাঙনবা তৌরক্কনি, হাৎকনি তূপকনি হায়বগী ৱা'ঙাক নত্তে। উসু উবা ফংলরোইদবা, কৈদৌঙৈদা শকচানররোইদবা, ৱারী শানবসু য়াররোইদবা মহাকপু লৈ হায়না থাজরুরা! মাবু থিদবা য়াররোই, মাবু খঙদবা য়াররোই, পুন্সি অসি অরেম্বদা হৌখ্রনি, নুংঙাইফমসু খঙলরোই। পুন্সিসিবু মমল য়াওদনা অরেম্বদা হৌহনবা হৌনবরা? মহাক লৈতে খল্লবা, ইনিং তম্লে পুন্সিসে। স্বর্গ কাবই খল্লরোই, নোরোক্তা তাবই ৱাররোই।

লাইগী ৱাসি তোকখিসি, ভুৎকী ৱারী শাখিসি। লাই অমদি ভুৎ করি খেন্নবগে য়েংলুসি। 'ভুৎ থাজদে' হায়বদুসু 'লাই থাজদে' হায়বদুসু অমহাই অমহা ঙাক্তনি। নোংমা মীথুংশঙ অমদা নুপী অমা থুংলম্মী। অসুম থোকউ হায়দুনি - নুমিত্তুদা অতোপ্পা মীথুং কনামত্তা লাক্লমদে, মতম শাংনা করিগুম্বা থবক অমগী লৈরক্লবা ফিলোজোফিগী ওজা অমখক্কা মখোয় অনীতা ঙায়রম্মী। নুমিদাং চাকচা তোক্লগা চৌকিদারদুনা 'লাই খুরুম্বীনিংলবসু প্রেয়র রুমদা চৎপীয়ু' হায়রল্লগা তূমখরে। ওন্থোকপনি! নুপীদুদি লাই থাজদবী, সমাজ সেবীকা ওইরম্লে। 'ৱারেম! লৈসু লৈতবা মঙোন্দা খুরুম্লগা করি কান্নবা!' শোন্থাংননা শোনখিবদু ওজাদুনা তাহৌরে। লাই লৈ/লৈতে মরৈ'রোমদা তারক্লে।

'লাইগী ৱাদু তোক্লসি, ভুৎপুদি থাজবীব্রা?' 'ভুৎ-লাই অমত্তনি, ৱাখল য়াওদবশিংগী ৱারীনি - ঐ অদুগুম্বা ৱারেপ থাজদে।' 'থাজবা থাজদবগী ৱা নত্তে, ইচম চম্না ৱারী অমা লীজহৌগে তৌবনি ... মীথুংশঙ লৈরিবা মফমসিদা, অহানবা লাঞ্জাও মতমদুদা ধোবী মতৈ মনাও অনীখক য়ুমদোমপোক অমদা নুংশিননা লৈরম্মী হায় ... নুপী অদু ৱাং চাউই, মশক মতৌ নীংথিজৈ, কুচু ঙৌই হায়... মাগী অশোয়বা হায়ববু ওইথংবা মীৎ পান্দে হায় ... মাগী মপুরোইবদু নোংমা চথোকখিবদগী অদুম হল্লকখিদরে ... হল্লকখিদ্রবা মপুরোইবা ঙাইনা ঙাইনা নুপীদুসু শিখরে ... কুইরবগী তুংসিদা, মীথুংশঙসিদা নৌনা থুংলবা মীথুং খুদিংমক্কী ফমুংদা চঙদুনা ফৈজুপ হাংদোক্লগা, অহিং তাংলৌ অথেঙবদা নুপীদুনা হল্লকখিদ্রবা মপুরোইবদুরা য়েংই হায় ...'

ৱারী মরক থৎলগা 'ঐহাক ভুৎ থাজদে, ৱারীদু ঐঙোন্দা লীরক্কনু'দি হায়রগা কুচু তাইফেৎ তাইরকখি হায়, ...'ঙসি অহিংসিদদি চাউরবা মীথুংশঙসিদা নঙগা ঐগতনি মীথুং ওইনা লৈরিবা, হান্না লৈরম্বা মীথুং ওইনা ৱারীসি নৌনা থুংলবা নঙোন্দা লীফম থোকপ্রা খন্দুনা লীজরিবনি... পূম্নমকসি থাজবদই থোকপনি, থাজদবা নঙোন্দদি কৈশু তৌদৌ মান্দেদা ...'।

অহিং নোংয়াই মতুংদা, মাগী মাগী কাদা তম্নখ্রবা মতুংদা, নুপীদুনা খোঞ্জেল হৌনা লাউরকপদগী ওজাদুনা মাগী কাদা চেনশিল্লুই। মমীৎ মনা য়ুংলবা, পাখৎলবা মতৌদা হায়রকখি ...'ওজা! নঙনা হায়বা, মমীৎ নাম্মা পানবী শকহেনবীদু ঐগী কাদা লাক্লম্মী ...'। অহিংচুপ্পা, নুপীদুনা প্রোফেসরদু তুমহনখিদে। নোংঙাল্লগা চৎখিবদগী অমুক হন্না মীথুংশঙদা লাকখিদ্রে হায়। 'ভুৎ হায়বসি মীওইবগী থাজবদই থোকপনি' হায়রু খুদিং ভুৎ থাজদবী নুপীদুনা খুম্মী হায় ... 'ঐহাক্তি হকথেংনরবনি, মীগী ৱা থাজরুনু।'

লৌশিং পুক্কে

# ওনলাইনদা ফংবা প্রোবাইওটিককী ইনফোর্মেসন অয়াম্বা অরানবা ওইগল্লি

প্রোবাইওটিককী মরমদা মীয়ামনা খঙনবা হেল্লকপগা লোয়ননা মসিগী মরমদা ওনলাইনদা ফংলিবা ইনফোর্মেসনশিং কয়ামুক চুম্বগে হায়না ষ্টদি তৌদুনা থিজিনখ্রে। থিজিনবা অদুদা মমিং চৎলবা ৱেবসাইট অয়াম্বদা ফংলিবা প্রোবাইওটিককী ইনফোর্মেসনশিং সাইন্টিফিক ইভিদেন্স য়াওদবা থেংনখ্রে।

প্রোবাইওটিকশিং অসি পোপ্যুলরদি ওইরে, অদুবু মখোয়সি ঐখোয়না খল্লীবা চাংশি য়ৌনা ফরবরা?

ঐখোয়গী হকশেলদা গৎ বেক্টরিয়াশিংনা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা সাইন্টিষ্টশিংনা ইন্টরেষ্ট লৈবা হেনগৎলকপগুম মীচম মীয়ামগী মরক্তসু হেনগৎলক্লি।

প্রোবাইওটিকশিং অসি মেনুফেকচররশিংনা চীঞ্জাক মখল কয়া শাবা মতমদা খ্বাইদগী কম্মন ওইনা য়োগর্টতা হাপ্পা অহিংবা ওর্গানিজমশিংনি। মখোয় অসি দাইজেষ্টিব হেল্থ ফগৎহনবদগী হৌরগা ইম্ম্যুন সিষ্টেম কনখৎহনবফাওবনচিংবা হকশেলগী ওইবা কান্নবা পী হায়না মার্কেটিং ইনফোর্মেসনদা ময়েক শেংনা পন্নরি।

প্রোবাইওটিক অসি হৌজিক্কী মতম অসিদা য়াম্না চাউবা বিজিনেস অমা ওইরে। নৌনা চথখিবা ষ্টদি অদুগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৭ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী প্রোবাইওটিককী মার্কেট অসি দোল্লর বিল্লিয়ন ৪০ দগী হেন্না ৱাংখ্রে হায়রি।

হৌজিক্কী মতমগী পোত্থোকশিং লৈবা য়োনবদা ওনলাইন সেল্স অমদি মার্কেটিংনা য়াম্না চাউবা থৌদাং অমা লৌরি। মসিগী মতুংইন্না হায়রিবা পোত্থোকশিং অসিগী মতাংদা ওনলাইনদা ফংলিবা ইনফোর্মেসনশিংগী মতাংদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী ব্রাইটটোন এন্দ সুসিক্স মেদিকেল স্কুল অমদি বেলজিয়মগী য়ুনিভর্সিটি লিব্র দি ব্রুক্সেল্লেসতগী রিসার্চরশিংনা থিজিনখি।

ইনভেষ্টিগেসন অসি তৌনবগীদমক্তা গুগলদা ফংবা টোপ-রেঙ্ক ৱেবসাইটশিংদগী ইনফোর্মেসনশিং খোমজিনখি। মীওই অয়াম্বনা অহানবা রিজল্ট ১০ দগী হেন্না য়েংনদে মরম অদুনা মখোয়সিনা হেন্না ইম্পেক্ট অমদি ভিজিবিলিটি ৱাংলি হায়না কো অথর ওইরিবা প্রো. মিচেল গোল্ডমেননা হায়।

অহানবদা ইনভেষ্টিগেটরশিং অদুনা পেজশিং অদুগী এক্যুরেসি অমদি মপুঙ ফাবগী চাং অদু এনালাইজ তৌরম্মী। মথংদনা মখোয়না ইনফোর্মেসনশিং অদু কোক্রেন লাইব্রেরিগা চাংদম্নদুনা চেক তৌরম্মী। কোক্রেন লাইব্রেরি হায়বসি ক্লিনিকেল ট্রাইয়লশিং অমদি মেটা-এনালাইসিস য়াওনা ইভিদেন্সতা য়ূম্ফম ওইবা মেদিকেল ইনফোর্মেসনশিংগী দেটাবেজ অমনি।

প্রো. গোল্ডমেননা মখোয়গী থবক তৌবগী মওং অদু তাক্লদুনা হায়, "ঐখোয়না গুগলদা 'প্রোবাইওটিক' হায়বা ৱাহৈসি থিবা মতমদা থোক্লকপা অহানবা ৱেবপেজ ১৫০বু য়েংশিনখি অমদি মখোয়শিং অদু করম্বা মফমদগীনো অমদি মখোয়না পল্লিবা লায়নাশিং অদু রেকোর্দ তৌখি। মসিগী মতুংদা লায়নাশিং অদুগী মায়োক্তা লৈবা প্রোবাইওটিকশিং অদুগী কান্নবা অদুগী সাইন্টিফিক ইভিদেন্সশিংদুগী সাইন্টিফিক রিগরগীদমক থিজিনখি।"

মখোয়গী ফাইন্দিংশিং অদু মখোয়না ফ্রন্টিয়র্স ইন মেদিসিন কৌবা জর্নেল অমদা ফোঙলকখি।

সাইন্টিষ্টশিং অদুনা থেংনখি মদুদি অহানবা ৱেবসাইট ১৫০ অদু ন্যুজ-বেজ নৎত্রগা কম্মর্সিয়ল ওইরম্মী- চাদা ৩১ অমনা ন্যুজ-বেজ অদুগা চাদা ৪৩ অমনা কম্মর্সিএলনি। পুন্না য়েংবদা ন্যুজ অমদি কম্মর্সিয়ল ৱেবসাইটশিং অদুদা রেগ্যুলেটরি ইস্যুশিং অমদি ইম্ম্যুনোকম্প্রোমাইজ লৈবগুম্বা ভলনরেবল ইন্দিবিজ্যুএলশিংদা করি সাইদ ইফেক্টশিং লৈবগে হায়বদুগী মতাংদা পন্দবা মরম্না মখোয়শিং অসি রিলাইএবল সোর্স ওইদে।

ৱেবপেজ ১৫০ অদুগী মনুংদা শুপ্নগী চাদা ৪০ খক্তংনা প্রোবাইওটিকশিং অদুগী কান্নবা অদুগী মরমদা অহেনবা রিসার্চ মথৌ তারি হায়না পল্লম্মী, চাদা ৩৫ অমনা সাইন্টিফিক লিটরেচরদা রিফরেন্স পীরম্মী, চাদা ২৫ অমনা থোক্লকপা য়াবা সাইদ ইফেক্টশিং পল্লম্মী অদুগা চাদা ১৫খক্তংনা রেগ্যুলেটরি প্রোভিজনশিং পল্লম্মী।

প্রো. পিট্রো ঘেজিনা হায়বগী মতুংইন্না কম্মর্সিয়ল-ওরিএন্টেদ ওইবা ইনফোর্মেসনশিং মশিং য়াম্না ফংবা অসিনা মরম ওইরগা অশেংবা পাউখুম পামদুনা থিরিবা কঞ্জ্যুমরশিংদদি চমন্নবা পোক্লিংঙাই ওই।

ৱেবসাইটশিং অদুনা লায়না কয়া ফহল্লি হায়না পীরিবা ইনফোর্মেসনশিং অদু কোক্রেন দেটাবেজকা চাংদম্নদুনা য়েংশিনখি। প্রোবাইওটিকশিংনা লায়না মখল কয়া ফহনবা ঙম্মী হায়না ৱেবসাইটশিংনা ক্লেয়ম তৌরবসু ইভিদিন্সতি য়াম্না ৱাৎপা থেংনখি।

হৌজিকফাওবগী ওইনা লৈরিবা ইভিদেন্সনদি প্রোবাইওটিকশিংনা লায়না মখল খরখক্তং ফহনবা ঙম্মী হায়না উৎলি। অদুবু মসিমকসু অহেনবা রিসার্চরশিং তৌবা মথৌ তারিবনি।

ৱেবসাইট ১৫০ অদুগী মনুংদা ৯৩না প্রোবাইওটিক্না ইম্ম্যুন সিষ্টেম ফগৎহল্লি হায়না ক্লেয়ম তৌই। অদুবু অশেংবগী ওইনদি মসিগী মতাংদা ক্লিনিকেল ট্রাইয়লশিং ইতৌ তৌদ্রি হায়না রিসার্চরশিং অদুনা হায়রি।

মসিগা চপ মান্ননা মশিং য়াম্লবা ৱেবসাইট কয়ানা প্রোবাইওটিক্না মেন্টেল দিসওর্দরশিং ফহনবদা অমদি কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজশিংগী রিস্ক হন্থহনবদা মতেং পাংই হায়না ক্লেয়ম তৌরি। মসিগী মতাংদসু সাইন্টিষ্টশিংনা রিসার্চ তৌবা ইরৈ লৈত্রি।

রিসার্চরশিংনা হায়, হৌজিক্কী মতম অসিদা মেদিকেল এক্সপার্টশিং অমদি হেল্থ ওথোরিটিশিংবু থাজহনবগী চৎনবী অমা শন্দোরক্লি। ইন্টর্নেটতগী ফংবা ইনফোর্মেসনশিং অসিনা য়াম্না চাউনা লমজিংদুনা মীয়াম্না ওভর-দ-কাউন্টর হীদাকশিং শিজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লি।

# হিয়াংলম ৱাবগাইদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০(ঐচ এন এস):

কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুথৎনবা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুমীদাংৱাইরম ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হিয়াংলম ৱাবগাইদা কংলৈচা চাউখৎ থৌরাং লূপ, খুঞ্জা নুপী মরুপ হিয়াংলম ৱাবগাই অমসুং কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা খুৎশম্নদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা মীয়ামগী ওইবা মৈরা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম আনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম অদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবা য়ারোই, য়ু য়োনবা য়ারোই, লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মপুং ফানা থিংঙু, দ্রগ লল্লোনবা চৈরাক পীয়ু, হৌরক্লিবা তুংগী মীরোল ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কল্লসি হায়বনচিংবা স্লোগান কয়া লাউদুনা পব্লিসিটি অমগা লোয়ননা মৈরা খোঙচৎ অদু চৎখি।

লমদম অসিদা লোগী ওইবা অথিংবা কয়া লৈজরবসু লমদম অসিদা য়ু অমদি তোঙান তোঙানবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলম কয়া মপুং ফানা থিংবদি ওইদ্রি। লমদম অসিগী মফম খুদিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরাং কায়না ফংবনা তুংগী য়ুম্বীরেলশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা তাওদুনা লৈরি। মমল য়াম্লবা নহারোল কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী কয়াৎতা তাদুনা পুন্সি লোমখ্রে অমদি লায়না কয়া নাদুনা লৈরি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লৈরি। লৈঙাক্লোইশিংনা খুন্নাই মাঙনিংঙাই ওইবা দ্রগকী ইস্যু অসিদা পূক্নিং চঙদবা হায়বসি লমদম অসিগী মীয়ামগী লাইবক থীবনি।

লমদম অসিগী লৈকায়-লৈকায় খুদিংদা মৈরা পায়বী ঈহৌ শাগৎতুনা ইমা-ইবেলশিংনা খুৎতা মৈরা পায়দুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা হৌরক্লিবা ঈহৌশিং অসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দুনা অমদি মীয়ামগী ইহুল খঙনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং মতম চানা লৌখৎপনা লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী য়াইফবা ওইগনি।

কাদানা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাকপু মরু ফংনা মুথৎনবা চঙশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মৈরাগী রেল্লি অদু চৎখিবনি। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা খোঙজং কয়াসু লেপ্তুনা চথরক্লি হায়রি।

# ইলেক্সন কম্মিটিনা নোটিফিকেসন থোকখিবনা মরম ওইরগা কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরে : এম এস এফ

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০(ঐচ এন এস):

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী চহী ২গী টর্ম লোইশিল্লকপনা অনৌবা খন্নবগী ইলেক্সন পাঙথোক্লবা নোটিফিকেসন থোকখিবনা মরম ওইরগা কোদ ওফ কন্দক্ট খুদক্তগী চৎনরে হায়না এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি খাঙেম্বম বিদ্যাসাগরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এম এস এফকী ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল ২০১৮-১৯গী চহী ২গী ওইবা টর্ম লোইশিল্লক্লে। অনৌবা এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল শেম্নবগীদমক মণিপুরী মহৈরোয়শিংদগী অফবা অমদি মতিক চাবা তুংগী অপূনবা মণিপুর অমা শেম্নবা অচৌবা থৌদাং য়াগদবা মহৈরোয় লুচিংবা খনবগী ইলেক্সন নোটিফিকেসন থোক্লে। হয়েংদগী নোমিনেসন ফোর্ম থাবা হৌরগনি। নোমিনেসন পেপর পীশিনবগী অরোইবা নুমীৎ থা অসিগী ২৭ কী নুমীৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা ওইগনি। স্ক্রুটিনি থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্লগা থা অসিগী ২৯দা ইলেক্সন পাঙথোক্কনি। কুমজা ২০২০-২১ ফাওবা ফম পুগদবা এম এস এফকী ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল অসিগী ইলেক্সন মপুং ফানা অমদি ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইনা পাঙথোকপা য়ানবা লূপ অসিগী এদভাইজর সেরাজুদ্দিন ইলেক্সন ওবজার্ভর অমদি ৱার্কিং প্রসিদেন্ট লকি কোন্সমনা রিটর্নিং ওফিসর ওইনা ইলেক্সন অসি পাঙথোক্লবা মথৌশিং হৌনবা ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীলগী অখন্নবা মীফম অমনা অয়াবা পীখিবগী মতুংইন্না ইলেক্সন কম্মিটিনা ইলেক্সন অসিগী নোটিফিকেসন থোকখ্রে। ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট খুদক্তগী চৎনরে।

ইলেক্সন অসিদগী খল্লকপা মহৈরোয় লুচিংবশিং থা অসিগী ৩১ দা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা থবক পুবগী অরোনবা ঙাকপা অমদি ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট মনুংগী ওইনা লূপ অসিগী থবক থৌরম পুম্নমক লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ঙারিয়াম্বম মিলননা ক্যের টেকর প্রসিদেন্ট ওইনা য়েংশিনগনি। মণিপুর মীয়াম্না লূপ অসিগী মতাংদা অমদি লূপ অসিগা পাউ ফাওননিংবা লৈরবদি প্রসিদেন্ট মশাদা ফাওনবীয়ু। মণিপুরগী মহৈ-মশিন তম্বগী কাঙলোন অমদি লমদম অসিবু অওনবা অমসুং মান্নবা খুন্নাই পুরক্লবা হোৎনরিবা মণিপুরী মহৈরোয়শিংগী লূপ এম এস এফকী অনৌবা থৌ পুনবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মণিপুরী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবীয়ু। মণিপুরদা লৈরিবা মহৈ তম্ফমশঙশিং হেন্না ফগৎহন্নবা অমদি মহৈ তম্বগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা হেন্না খুন্মাং চাউশিন্না চঙশিন্নবা হোৎনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু। ইলেক্সন অসিগী মতাংদা হেন্না কুপ্পা মরোল খঙনিংলবদি ইলেক্সন অসিগী রিটর্নিং ওফিসর লকি কোন্সম, ৱার্কিং প্রসিদেন্টগা হকথেংননা উনবীয়ু। নৎত্রগা ফোন নম্বর ৭৩০৮৪৩২৭৫০দা কন্টেক্ট তৌবীয়ু। মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল ২০১৮-১৯গী চহী ২গী ওইবা টর্ম লোইশিল্লকপনা ইলেক্সন অসি পাঙথোক্লবা শেম-শাবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২১।০১।২০২০ইং, লৈবাকপোকপা,
ৱাকচিংগী ২৭ নি পানবা।

**মেষ :** নীংহন্নদনা মাংলোমদা চংশিনবদা শোইদনা মায় পাক্কনি। পাইরক্কী লৌশিং লৈবনা মী ঙমগনি । ফিংবা অমদি খুৎচাও থাবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী-লাইবক ফবা ৱাৎকনি ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** লাইবক ফবা অমদি শেল-থুমগী লম্দা ওইজ ওইথক ফংবা ঙসিসু লৈগনি। অঙম্বনা মচাক নরল মৎপিবা য়াবদি লৈ অদুনা খন্থদনা ৱানোম থৌনোম তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস ।

**মিথুন :** থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাগনি, অনীংবা থবক পাংবসু মায় পাক্কনি অমদি ইমুং-মনুং তান্নরগা চংশিনবা লম্দসু ঈনা থাগৎপিগনি। হুরানবদগীদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**কর্কট :** মরুপ-মপাংনা চানগনি অদুনা অরুবা থৌরমদদি মরুপ লোয়নবা ফগনি। অনম তানবদি লন মাঙগনি অমদি লৈঙাক্ত লিম্দা মায় পাকপা ৱাগনি, শেল চৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক ।

**সিংহ :** মরুপ-মপাংগা থরুম লৈনগনি অদুনা খোইরাং খোইশাওবা ফাথৌ। হায়জ নোনজবদি কান্নগনি অমদি অরং-অরাক ফংবৈ নুংঙাইজবা লৈগনি। খুৎতি চাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থাগৎপিগনি ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** শেল-থুমগী লম্দা য়াম্না কান্নবা নুমিৎনি অমদি অনৌবা থৌরমশিংদনা হেন্না মায় পাক্কনি। হকচাং নুংঙাইবদি খরা ৱাৎকনি অমদি লৌশিং থোকপা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা।

**তুলা :** ওইজবা ফংগনি, মীয়াম্না চানগনি অমদি লৈতেংনচিংবা ফংবা য়াবা লৈ। লাই-গুরুনা চানবীবদি ৱাৎলি, অরোনবা ৱা ঙাঙথোক্কনু অমদি য়েক্লবনা পাংগল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরীদি হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু।

**বৃশ্চিক :** হরাওবা, নীংবা থুংবা, থৌনা ফুদোকপা ঙম্বা অমদি মরুপ মপাং লোয়নবা থবক্তা চাওনা মায় পাকচবা নুমিৎনি। লৈঙাক্কী লম্দা মীনা লাকচবা ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** খাংবা কনবনা অফা অপুন্নবা কয়াদগী নাম্থোকচগনি, চিন য়াংগনু নত্রবদি শেল তিংগনি অমদি ইমুং-মনুং ৱা তানবনা য়াইফবা ওইগনি। হোয়াদি ফবা য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী -তপথৌ, য়াকা য়েংউ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মকর :** শেল অমদি নীংবা থুংবগী নুংঙাইবা লৈগনি, পাউসু নুংঙাইবা তাগনি অমদি অরাপ্পা চৎপসু নক্লবনদি লৌথোকনিংগনি অদুনা অখঙ অহৈ শাগনু, থিবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** থবক পাংগনি, য়েক্লবা ময়েং তাগনি, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা শেন্দোং ফংগনি। লৈঙাক্কী লম্দদি নীংবা কাইনিংঙাইনি-নোল্লুক্লা চৎলু। নচা ননাই চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী -লাইবক ফগনি ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**মিন :** থৌনা ফবা, হনবা লৈতনা হোৎনবা অমদি য়েক্লবা কোকচবা লৈগনি। হন্থবা লোয়নবনা মীপাইনিংঙাই ওইবা থৌদোক নংবা য়াই। ৱানোম থৌনোম কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - ইচং থৌবগী কান্নবা লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

JCRE Skill Solutions
empowering our youth

We're HIRING
Accounts Assistant
No. of Vacancy: 01
Essential Requirements:
B.Com / BBA Graduate
Good in MS Word, MS Excel and Tally ERP9
Possession of two wheeler is mandatory
Job Location: Thangmeiband
hr@jcre.ac.in (interested candidates may send their resume on or before 22nd of January 2020)
7085051125 Call us in between 09:30 am - 04:00 pm (Mon-Sat)
HL-B/5723/19.21

ADMISSION OPEN
"LULLABY"
A Child Care Cum Pre-School
Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point
A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
Total Child Care
Nutritious Food
Child Psycological Development
Well Equipped Playing Facilities
Accurate Teacher and Child Ratio
Session starting from 6th February, 2020.
Kinder pool and twinkle kids system of education

Monthly Tution Fees are free for this academic year as an introductory offer.
6009103078
HL-P/4570/19-28jan.